# তুংলমচৎকীদমক চাওখৎ খোঙথাং -৭

- চিংশুবম শ্যামজাই -

মীওইপোক্তা পোল্লক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্না ফজববু কল্লকচৈ, অহাউবসু চানীংই লোয়ননা পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসিসু মীপূম খুদিংমক্না পামজৈ। অদুবু মীওই খুদিংমক পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বা ৱাফমসিমদি অরাইবা ৱাফম অমা নত্তে। কনাগুম্বা অকক্লবা খরনা পুন্সিদা মায় পাত্তুনা হিংনরিবা পুন্সি মরেল খরদি ঐখোয়না উবা ফংলি। পুন্সিদা করম্না মায় পাক্কদগে অমদি মায় পাকখ্রবা মীওইশিংনা করম-করম্বা অৱাবা কয়া থেংনখিবগে অমদি করম্না হোৎনখিবগে হায়বসি ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। লাইবক্তা তম্লক্তবা মীওই কয়াসু খাংবা কনবা, হোৎনবা কনবা অমদি শিংনবা অমগা লোয়ননা হোৎনখিবদগী মায় পাকখিবগী ৱারী কয়াসু লৈরি। মপূং ওইনা য়েংবা তারবদি মশাগী ৱিল পৱার কনবা অমদি নিংহন্নদবা হায়বসিনা পুন্সিদা মায় পাক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি।

অৱাবা থবক কয়া তৌরম্বা অমদি মীহাৎ-মীপূন তৌরম্লবা মীওই কয়াসু করিগুম্বা হীরম নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওই খরগী থৌইনশিন্না পূক্নিং খংওন-ওনখিদুনা অফবা লম্বীদা চৎখিবদগী পুন্সিদা মশক নাইবা মীওই ওইখিবগী ৱারী কয়া ঐখোয়না তাবা ফংই। মরম অদুনা থৌদোক-ৱাথোক অমদি থৌইনশিন হায়রিবা ফীভম অসিসু মীওই অমগী ৱাখল অমদি থৌওং হোংহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরি। অসিদসু নত্তনা ঐখোয়না শেন্নীবা শাবীবা অমদি য়েংশিনবীবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই হায়না লৌবা য়াই।

মালেমদা মমিং চৎলবা অমদি শকখঙলবা মীওইশিং অসি তরাই-তরাইনা হেক্তা ওইখিবা নত্তে। মখোয়শিং অদুনা মখোয়গী পুন্সিদা থেংনখিবা অমদি হোৎনখিবগী ৱারী কয়া লৈরমগনি। মখোয়শিংনা থেংনখিবা অৱাবা ৱারী কয়া অদুনা ঐখোয়দা পাড়া অমা ওইনা লৌরগা মখা তানা হোৎনরবদি মায় পাকপগী লম্বেল অমা মাঙলোমদা চঙশিল্লবনি হায়না লৌবা য়াই। লেপ্তুবা অমদি নিংহন্নদবা হায়বা ৱাফম অসিনা পুন্সিদা মায় পাক্লবগী তঙাইফদবা লম্বী অমনি হায়জনীংই।

তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা মায় পাক্লবা মীওই কয়াসু ঙসি ঙসিমক ঐখোয়গী মাংদা উবা ফংলি। লল্লোন-ইতিক্তা, পোলিটিক্সতা, লাইরিক-লাইশুদা অমদি ইন্দষ্ট্রিদা মায় পাক্লবা মীওই কয়া ঙসিদি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদসু উবা ফংলে। মখোয়শিং অসি ঐখোয় পূম্নমক্না শক খঙবীবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নফম থোকই। মখোয়শিং অসিনা মীওই কয়াবুসু লমজিং-লমতাক পীবতা নত্তনা ইমুং কয়াবুসু হিংবগী লম্বী পীরিবনি।

মায় পাক্লবা অমদি লমজিং লমতাক পীরিবা মীশক অমনা অশোয়বা অমদি অরানবা খোঙথাং অমা হেক থাংখিবদা মহাক মশাদদি থোইদোক্না কায়রমদবা য়াই অদুবু মহাক্কী মখাদা হিংজরিবা কয়া অমদি লৌখৎপা য়াদনা অৱাবা চৈথেং ফংলি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খন্থবা মতম ওইরে হায়জনীংই।

মীনোক খুদিং নুংঙাইবা নত্তে, কপ্পা খুদিং অৱাবা নত্তে। মদুগী মরম লৈফম থোকই। মরম অদুনা ঐখোয়না করিগুম্বা হীরম অমদা মায় পাক্লবসু নুংঙাইবা হেনমনবদগী কপ্পা য়াওই অমসুং অৱাবা কয়া থেংনবদা খাংবা ঙমদবদগী নোকপা য়াওই হায়বসি নীংশিংবা চুমগনি খল্লি। মানা মানা তৌবা মানা মানা ফংজবনি হায়না ঐখোয়না তত্তনা হায়নরি অদুবু মসিমক মতম পূম্বদা অচুম্বা ওইগনি হায়বসু লানগনি। মরমদি কনাগুম্বা অমা অরানবা অমা তৌবদা মহাক মশাদা করিসু তৌদ্রবসু কনাগুম্বা খরদদি অৱাবা তাবা কয়াসু লৈরিবনি।

অরংবা খুদিংমক সনা নত্তে হায়নবা লৈ। মরম অদুনা কনাগুম্বা মীওই কয়াদসু লমজিং লমতাক ফজনা পীদুনা অচুম্বা ঈথিল কয়া পীরবদি মায় পাকপা য়াবগী লম্বীসু লৈতবা নত্তে। মতাংসিদা ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবদি মায়থীবা অসিনা মায় পাক্লবগী য়ূম্ফমনি হায়বসিনি। কনাগুম্বা মীওই কয়ানা মায়থীরবনি হায়না য়াম্না পূক্নিং হন্থনা লৈবা থেংনজৈ। মখোয়শিং অসিসু মখা তানা পূক্নিং লেংদনা অমদি নিংহন্নদনা হোৎনরবদি মায় পাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অদুনা মতম পূম্নমক্তা ঐখোয়না পুন্সিদা মায় পাক্কে হায়বদি তোপ তোপ্পা গুণ খরা চেন্দবা য়াদে হায়বসি কাউফদে। অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসি ঐ-ঐগী খূত্তা লৈ। মসিমক ফংননবা মতম পূম্নমক্তা ঐখোয় পূম্নমক্না তুংদা মায় পাক্লবগীদমক ঙসিমক অচুম্বা খোঙথাং থাংবা হৌরসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈঙাক্না ঐতিহাসিক ওইরবা থোংজাওদা মীৎয়েং চঙবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইকায়খুম্নজরবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম এ সীগী মনুংদা লৈরিবা মরু ওইরবা খুঙ্গং - থোংজাও অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা খুঙ্গং অসিনা ঙসি ফাওবদা মশাগী শিনফম অমা ওইনা তৌজরিবা চফু শাবগী থবক অসিদা লৈঙাক্না মতম মতমগী ওইনা তৌবা য়াবা মতেং তৌবীনবা হোৎনবীয়ু।

থোংজাও হায়রিবা খুঙ্গং অসি য়ূমথোঙ য়ূমথোঙগী চফু শাদুনা মদুদগী ফংলকপা শেলফম খরা অদুনা ইমুং-মনুংগী ভার পূম্নমক পুদুনা হিংজরিবনি। মৈহৌরোলদগী চফু হায়বসি ইপা ইপুশিংনা শীজিন্নদুনা লাকপদুনা ঙসি ফাওবদা মীওইবনা হিংবদা চফু হায়বসি থাদোক্লবা য়াদ্রবা য়াম্না মরু ওইবা পোৎশকনি। মসি ঐখোয়না ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি হায়জনীংই।

মণিপুরগী মনুংদা মরু ওইনা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা চফু শাদুনা মণিপুরগী কৈথেল অয়াম্বদা ফংলিবা চফুশিং মপূংদা থোংজাওনা পুথোকপনি। অতৈগী মফম অয়াম্বদা শারিবশিং অসিদি মমিংখক্তগী শাবনি হায়না লৌবা য়ারে। থোংজাও হায়রিবা খুঙ্গংসি সেদ্যুল্ড কাষ্টনি, ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না সেদ্যুল্ড কাষ্টকীদমক্তা পীরিবা খুদোংচাবদি ঙসি ফাওবদা অয়াম্বনা ফংদনা লৈবগুম্না তৌরি। সেদ্যুল্ড কাষ্টকীদমক্তা পীবিরিবা খুদোংচাবশিং কাষ্ট ওইরগা ফংদ্রগদি করি কাষ্ট ওইগদৌরিবনো হায়বসি থোংজাও মীয়ামগী অচৌবা ৱাহং অমনি। থোংজাও মীয়ামগী হিংবগী লম্বী অমা হায়বা তারবদি চফু শাবসিনি। হিয়াংলম এ সীগী মনুংদা লৈরিবা থোংজাও খুঙ্গংসিদা মণিপুরগী কাচিন কোয়া য়ৌনা উবীবা ঙম্বা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা থোংজাও মীয়াম্বু হিংবগী মরেক মহাউদো ফংহনবীনবা হোৎনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী :- কোন্থৌজম মনিহার, সেকমাইজিন খুনৌ*

## ত্রাফিক পুলিস আইলেন্দ

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইম্ফাল ময়োলনি, কৈশাম্পাৎ থোংখোংদগী কিলোমিটর অমগী মনুংদা লৈ হোদাম লৈরক মচিন টিদ্দিম লম্বীগা তায়ননা। মফম অসিদা অচৌবা লম্বী অসিগী ময়াদা অমদি মতাইদা মমাঙদা, মনীংদা দুকান খরা অমদি কৈথেল ফম্বী খরনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈ, হৱাই, আলু, থুম, থাও অমদি মনা-মশিং, ঙা কয়া য়োল্লি। মসিগী মথক্তা খুদক্কী ওইনা শেম শাবা অচা-অথক কয়াসু য়োনবনা নহা, অহল কয়া তিল্লি অয়ূক নুংথিল অমদি নুমিদাংদা। মী অদুম চিল্লি। সঙাই এক্সপ্রেস, সনালৈবাক পাউচেগী ওফিসশিং অমদি পেট্রোল-দিজলগী থাও হানফমসু লৈরি। ফার্মাসিসু লৈ। মফম অসিগী লম্বী অপাকপসি মীয়ামগী লান্থোক লানশিন তৌনফম অমসুনি। মরু ওইবা লম্বী মতেকনি।

অচৌবা-মচা গাড়ী মখল কয়া মরাং কায়না কৃক-কৃক ইন্নবসু য়াওনা অতৎ অখম লৈতনা চেল্লি-থৌরি। টিদ্দিম লম্বী অসিদা কৈশাম্পাৎলোমদগী থৌদরকপা, ক্বাকৈথেল লোমদগী থৌগৎলকপা, হোদাম লৈরক্তগী থৌদোরকপা, থৌদা ভাবোক লৈকায়দগী থোক্লকপা অমদি ধোবি মচু লৈরক্তগী লাকপা মখল কয়াগী গাড়ীশিং থেংনৈ। মফম অসি মায়কৈ মঙাদগী লাক্লগা উনফমনি। গাড়ী য়াম্বগী হৌনবা তোয়না থেংজিন্নৈ, খোৎনৈ, শাউনৈ,খৎনৈ অমদি মী শোকপসু য়াওই। ভি আই পি লম্বী ওইবনিনা লম্বী মতেক অসি মতম অয়াম্বদা চিন্দুনতা লৈ। ময়ামসিগী মরক্তা শগোল খরসু য়াওশিল্লকপা মতম য়াওই। পোৎ লৈবা লাকপা অমদি মহৈরোয় কয়াসু মখোঙনা নৎত্রগা গাড়ীনা চৎলি, লান্থোক লানশিন তৌই। অঙম অথৌশিংসু লেপ্তুনা চৎলি এয়রপোর্ট তাবা লম্বী ওইবনা। এম্ব্যুলেন্স কয়া চেল্লি। মৈহৌ-লাংপোক লাকপদা ফায়র বৃগেদ গাড়ী অদুম মচৎলি। লোয়শঙ কাবা-কুম্বা মতম অনীসিদনা অমুক্কা হেন্না চিল্লি। মায়কৈ অমদগী অমদা লান্নবা হোৎনবদা অৱাবগী মশকনি, মতম য়াম্না চংই। লোয়ননা খুদোংথীনীংঙাইসু ওই। থোকপসু থোকখ্রে। নোংম-নোংমগী গাড়ী মশীং হেনগৎলকপনা চিনবদি অসুম অসুম হেল্লকখিনি। মসিগী মথক্তা মায়কৈ লান্না গাড়ী কয়াসু লেপ্তুনা থৌনরি। মসি অঙকপা অমনি, ৱাখল তাবা ঙম্নদে।

মথক্তা পঞ্জখিবা কয়াসিনা মরম ওইদুনা মফম অসিদা তঙাইমক ফদনা অথুবা মতমগী মনুংদা মরী লৈনবা লোয়শঙনা ত্রাফিক পুলিস আইলেন্দ থম্বীয়ু হায়জরি। মসি লৈরবদি চৎথোক-চৎশিন্দা নিংথিজনা রেগ্যুলেট তৌবা ঙমগনি। মায়কৈ লান্না থৌবসু য়াররোই। মীশি-মীনা থোকখ্রগা হুরানবা মতুং মৈলিংবা হায়দু তাররোই। মফম অসিদা ত্রাফিক আইলেন্দ অমা থম্বীবা হায়বসিনা মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি খঞ্জে।

*অদোমগী - ইরোম মোবি, ইম্ফাল*

ষ্টেটকী পাউ

## ওল্ড এজ হোমদা নীংথম খূদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): লমদম অসিগী সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাকেশ নাওরেম অমদি নাওরেম রোমিলা অনীগী ইহান হান্না ফংজবী মচানুপী শিন্থোইগী চহী ১২ মপূং ফারকপগী থৌরম লাংজিং অচৌবদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবী ইমাশিংদা খুরুমজবগা লোয়ননা নীংথম খূদোল তম্বীরমখি হায়না ওল্ড এজ হোম লাংজিং অচৌবদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শিন্থোইগী ১২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি লাংজিং অচৌবদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা পাঙথোকখিবা নীংথম খূদোল তম্বগী থৌরম অদুদা ওল্ড এজ হোম অসিগী সেক্রেটরি কে সী গীতা, পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী লাইফ মেম্বর এস প্রেমিলা অমদি হোম অদুদা লৈরিবী অহল ওইরবী নুপী কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## পি কে কে এলগী থৌমীশিংনা ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রবু অমত্তা ওইনা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): পাৎশোই এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমা ওইরিবা ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা ইলেক্সনগীদমক শেমশাদ্রিঙৈদগী হৌনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌবিখিবা তোঙান-তোঙানবা থবকশিং অমদি অৱাবা কয়াদা মতেং পাংবিখিবা পূম্নমক অদুবু য়েংলগা পাৎশোই কেন্দ্র কনবা লুপ (পি কে কে এল)গী থৌমীশিংনা অমত্তা ওইনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা মহাকপু শৌগৎলগনি হায়না লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট থোংঙাম জি লাঙম্বনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক খন্দুনা য়ুম শাবা ঙমজদবশিংগী য়ুম শাবিবা, নোংজু থাগী মতমদা ঈশিং থুমজিন্দুনা য়ুমদা চংবা য়াদব্রা লম্বীশিং শেমজিনবিখি। লোয়ননা লৈত-লায়রবা ইমুংশিংনা লায়েংবা ঙমদনা লৈরবা মীওইশিংগীদমক শেল পুথোক্তুনা লায়েংবিদুনা শেলগী মতেং কয়া পাংখিবা অমদি কোভিদ পেন্দেমিক্কী মতমদা মীয়ামদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট অমদি নোংমদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপীখি। লোয়ননা লৌমীশিংনা নোং তারক্তবদগী অৱাবা মায়োক্ল রিঙৈ মতমদসু মহাক্কী লৈজবা শেল পুথোক্তুনা ঈশিং চেনবা য়াদনা লৈরম্বা ইথৈ-লৌখোংশিং শেংদোকপীদুনা মীয়ামদা ঈশিং ফংহনখি অমদি অফবা মখলগী ঈশিং চিংনবা পম্পশিংসু লৌমীশিংদা পীবিখি।

অসিগুম্বা মহাক্না মীয়ামগী তৌবিখিবা থবকশিং অসিগী মথক্তা এ সী অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎনবা হোৎনবিবগা লোয়ননা অতৎ-অখম লৈতনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী মতেং পাংবিরিবশিং অসি য়েংলুবদা পাৎশোই কেন্দ্র কনবা লুপকী মায়কৈদগী অপেনবা পোকপগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা এ সী অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী থবক তৌবা ঙম্নবা হায়দুনা পাৎশোই এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রবু শৌগৎপনি। এ সী অসিগীদমক ৱাহেংবম দিনেসচন্দ্রনা করিগুম্বা মীয়ামগী থৌজালদগী ভোট কাদুনা মীহুৎ অমা ওইরক্লবদি এ সী অসিগী মীয়াম্না চহী কয়াদগী মায়োক্নদুনা লাক্লিবা অৱাবা কয়া শোয়দনা কোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

## নরগিসকী মীহাৎ অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই: সুক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): মহৈরোয় কোরিময়ূম নরগিসকী মীহাৎ অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। গভর্ণমেন্টনসু অথুবা মতমদা জষ্টিস ফংহল্লু হায়না ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী জেনরেল সেক্রেটরি থিংবাইজম তরুন খুমননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, দিসেম্বর ২২দগী ময়ূমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লাকখিবী হাওরৈবী মখা লৈকায়দা লৈবী কোরিময়ূম নরগিস (২০) অপোকপা কে এম অহম্মদ আলিবু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোক্লগা লিলোং অমদি শামুরৌ ফাওনবা থোং মনাক্কী তুরেল তোর্বানদা হুন্দোক্তুনা থম্বীরম্বগী থৌওং অসি সুকনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

লৈখিদ্রবী নরগিস হৌজিক হৌজিক লিলোং হাওরৈবী কোলেজদা বি এস সিক্স সেমিষ্টর এগজাম পীখ্রবা মতুং রিজল্ট ঙাইদুনা লৈরিবী মহৈরোয় অমনি। অসুম্না মহৈরোয় অমবু তমথীনা হাৎতোকপীরম্বা অসি মহৈরোয় খুন্নাইদা খূৎ থারকপনি হায়না সুকনা লৌদবা ঙম্লোই। মহৈরোয় খুন্নাইদা খূৎ থারক্লিবা মীওইশিং অসি খুন্নাই অসিগী মায়োক্তা লৈবা অমসুং মহৈরোয় খুন্নাইবু শীংনবনি। লোয়ননা থৌদোক অসিমকসু নুপী-অঙাংদা চথুবা অচৌবা মখলগী ক্রাইম অমনি। থৌওং অসি য়াম্না পাংদবা অমদি লুজদবা লীচৎ অমনি।

থেংখাং কয়াদা নুপী-অঙাংশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোক্লগা হুন্দোক্লম্বগী থৌদোক কয়া লমদম অসিদা থোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু মতম চানা মতিক চাবা চৈরাক কয়া য়াম্না পীখ্রবগে হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। লাইবক থিবা অসিগুম্লবা থৌদোক কয়া অসিগী জষ্টিস ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি তৎতনা লমদম অসিদা থোক্লকপদগী লৈবাক মীয়াম্না পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লাউদুনা লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিংদা চৈরাক পীবগী থবক উবা ফংখিদ্রি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মহৈরোয় নরগিসকী থৌদোক অসিদা হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা চেন্নবা খূদিংমক গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা পুথোকপীদুনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক মীয়াম খঙনা ফংহল্লু। লোয়ননা কংলৈচা খূদিংমক্লসু অসিগুম্বা মহৈরোয় অমদি নুপী খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং অসিদা মখল অমত্তগী কোর্পোরেসন পীবিগনু।

থৌদোক অসিগী জষ্টিস ফংনবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক মতেং পাংমিন্নসি। মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা জষ্টিস ফংনবা চঙশিল্লকপা দিমোক্রেটিক ওইবা এজিটেসন খূদিংমক্তা কংলৈপাক অসিগী মহৈরোয় লুপ সুকনা মপূং ফানা শরুক য়াগনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা নুপীমচা অসিগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু সুকনা শরুক য়াজরি।

লৈখিদ্রবী নরগিসকী থৱায়না ঈংনা চিক্লা মপুগী মফমদা লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি। কংলৈপাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কংলৈচা পূম্বনসু লৈখিদ্রবী নরগিসকী মীশিগী মতাংদা অশেংবা অচুম্বা লংলা লংজিল অথুবা মতমদা ফংনবা অমদি মহাক্কী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা মপুগী মফমদা লৈনবগীদমক কংলৈচা পূম্বনসু থৌনিমিন্নসি হায়না ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


/POST VACANCY

RUDA ACADEMY, THOUBAL

AFFILIATED TO CBSE-NEW DELHI, AFFILIATION NO : 1230036

| Sl No. | Name of Post | Qualification | Age | Pay |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Warden (Male-1 and Female-1) | M.A./M.Sc. | 35 And Above | 10000 |
| 2. | Security Guard | 10+2 | 18 | 8000 |

Last date for the submission of CV - **5/01/2022**

***For more details:***

**CONTACT - 7640871184**

Sd/- **Principal,**
Ruda Academy, Thoubal

HL-P/1104/29,30,31

RUDA ACADEMY, THOUBAL
AFFILIATED TO CBSE-NEW DELHI
AFFILIATION NO : 1230036

/ADMISSION OPEN FOR THE SESSION 2022-2023

**Form available at the academy counter during the office hour**
Last date of form submission : **8th January 2022**
Last date of admission : **12th January 2022**
Common Eligibility Test : **9th January 2022**
***For more details:***
**CONTACT - 7640871184**

Sd/- **Principal,**
Ruda Academy, Thoubal

HL-P/1104/29,30,31

URGENT JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | **Airport & Airlines Post Vacancy of Bangalore, Kolkata Guwahati & Hyderabad** | | | | |
| | i. G-CSA Staff/VIP Lounge Staff (M/F) | | 18,000 – 25,000 | 30 | XII/G |
| | ii. BPO team Leader/ Station Manager(M) | | 52,000 – Above | 15 | Degree |
| | iii. Ground Instructor (M) | | 57,000 – Above | 15 | Degree |
| | iv. Security Supervisor/Flight Attendant(M) | | 46,000 – Above | 15 | XII/G |
| | v. Co-Pilots/First officer / Commander(M) | | 75,000 – Above | 15 | XII/G |
| | vi. G- Driver/G-Loader/Cargo Loader/ (M) | | 20,000 – Above | 100 | VIII/X |
| | vii. Cabin Crew/Air Ground Staff(M/F) | | 45,000 – Above | 20 | XII/G |
| 2. | **Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank.** | | | | |
| | i. Operational Staff (M/F) | 25 yrs | 18,000– Above | 15 | G/M |
| | ii. Account opening Staff (M/F) | 26 yrs | 18,000– Above | 15 | G/M |
| | iii. Loan Officer Staff (M/F) | 30 yrs | 18,000– Above | 15 | G/M |
| 3. | **Direct Selection of Marchand Navy(BP/Lily Ship Mgnt) in Mumbai** | | | | |
| | i. GP Rating Officer | | 80,000 – Above | 15 | X/XII |
| | ii. Diploma in Nautical Science | | 1.8 L – 2.8 L | 15 | G/M |
| | iii. B.Sc. Nautical Science | | 1.8 L – 2.8 L | 15 | G/M |
| | iv. B.Tech. in Marine Engineering | | 1.8 L – 2.8 L | 15 | G/M |
| | v. B.Tech in Naval Architecture | | 1.8 L – 2.8 L | 15 | G/M |
| 4. | **Wanted Immediately for Security Guard in Pune Campany.** | | | | |
| | i. Security Guard (M) | | 18,000 – EPF | 60 | VIII/X |
| 5. | **In Imphal post vacancy 100% Success Guide** | | | | |
| | i. Office Reception/Micro Finace(R.O.) | | 5,000 – Above | 10 | X/XII |
| | ii. Security Guard/Ladies Guard(M/F) | | 6,000 – Above | 30 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/Security Sup. (M) | | 8,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iv. Security Gunman Guard(M) | | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| 6. | **No Deposit work at Imphal** | | | | |
| | i. Office Managerial Staff(M/F) | | 8,000 – Above | 80 | X/XII |
| | ii. Chowkidar & Helper (Couple) | | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iii. Local Driver (407 TATA/D.I.) | | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iv. VIP Driver/Labour(M)/Office boy | | 9,000 – Above | 15 | VIII/X |
| | v. Pump Man/Salesman(M) | | 6,000 – Above | 8 | VIII/X |
| | vi. Accountant (M/F with tally) | | 6,000 – Above | 2 | XII/G |

**Date of Submission : 13-01-2022**
**Date of Interview : 14-01-2022**
**Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993**
**Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.**

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
**Keishampat Opp. CCpur Bus Parking**
**Near Poknapham Press Gate**

HL-P/1061/27,29,4,6,11

MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION Ltd.
(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)
IMPHAL, MANIPUR.

NOTICE INVITING e-Tender

The Executive Engineer-I, MPHC Ltd. Imphal, invites on behalf of the Managing Director, MPHC Ltd. online item rate bids in two bid system for the following work.

No. e-tender 16/EE-I/MPHC/2021-22 dated 27-12-2021 Name of Work :- "Construction of Traffic Police Station,Imphal (G+3) Building (Phase-I,Ground Floor)" Estimated Cost: Rs.2,78,47,941/- Period of completion 10(ten) months. Last date of submission of bid 1400 hrs of 04-01-2022.

The bid forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

HL-B/7386/29

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR**

/ **NOTICE OF OBJECTION**

**Imphal, the 23rd December, 2021**

**No. P/M/SR/2020 :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"The Association of Physical Education and Sports Sciences (APESS)"** on 6th November, 2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation / registration of proposed society/organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies,
Manipur

HL-P/1062/27,28,29

/ LOAN / LOAN

**LOWEST INTEREST**

1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan
6) Weaving Loan
Area Cover : Thoubal & Kakching District

**JOB NEWS**

1) Collector 8 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) BDO 4No. - 12/Graduate Passed
3) R.O. 2No. - 12/Graduate Passed
4) Reception 1 No. - 12 Passed (Kakching Branch)
5) Assistant Field Officer 5 No. - 12 Passed
(Age :- All Post below 30)

Last date of form submission - 30/12/2021
Date of Interview - 03/01/2022
Office hour - 10 AM to 4 PM

# 8787370703

Sd/-
**Office of the LAININGTHOU PVT. LTD.**
Thoubal Bazar, Leitanthem Leirak And
Kakching Branch, Axis Bank
Building

HL-B/7352/11/12-12/01


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লবা মরী লৈনদে।